# হৌজিক্কী মৈতৈ (হিন্দু)গী লুহোংবদা চীনবুংদা থংথরক্লিবা চৎন-কাঙলোনগী মশক

ডো. এল. বীরজিতা দেবী



**য়েলহৌঙৈদগী** হৌনা মৈতৈ খুন্নাইনা পাঙথোক্লরক্লিবা লুহোংবগী থৌরম অসি খুন্নাই অসিগী চীন্থাংদা থংথরকপা চৎনবীগী অকূপ্পা কাঙলোন কয়াগা লোয়ননা পাঙথোক্তুনা ঙসি ফাওবা লাক্লি। লুহোংবা হায়বসি ধর্ম্মগী লীপুন্না নুপা নুপী অনীবু পুনশিন্দুনা খুন্নাই কাঙলূপ অদুদা অফবা চাদা-নাওদা শন্দোক্তুনা নুংঙাই-য়াইফনা পান্নবগীদমক্তা পাঙথোকপা, পুন্সিদা চঙবা থৌরম অমনি। লুহোংববু ধর্ম্মগা মরী লৈননা খুন্নাই কাঙলূপশিংদা পাঙথোক্লে হায়বসিগা মরী লৈননা হায়রম্বা ৰাফম অমতং লৌখৎচরি:

It is usually associated with a ceremony, ...religious, social, or civil, which formalizes the group's approval.

(E.B. Tylor : 341, Special Indian Edition, 2005)

অসুম্না লুহোংবা হায়বসি খুন্নাই কাঙলূপ অয়াম্বদা ইচম চম্না হেক্তা পাঙথোকপা নত্তবা অকক্লবা নীতি নীয়মগী মখাদা ধর্ম্মগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থৌরমনি হায়বগী মতাংদসু *Standard Dictionary of Folklore Mythology & legend* দসু পনবিরম্মী। মদুদি : In many communities marriage is formal,and ritualized defloration is required.

(Maria Leach (ed.) :680)

অসুম্না মাগী মাগী খুন্নাই কাঙলূপশিংদা লৈরিবা মীওইশিংনা লুহোংবা হায়বসি পুন্সিদা চঙবা মরুওইবা থৌদাং অমা ওইনা লৌদুনা পাঙথোক্লরি। মৈতৈগী লুহোংবা হায়বা ৰাহৈ অসি ‘লু’ অমদি ‘হোংবা’ হায়বা ৰাহৈ অনীনা পুনশিল্লগা শেম্বনি। ৰাহৈ অসিগী লৌনরিবা ৰাখল্লোন অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা ফংই। মদুদি শাগৈ অমগী নিঙোল অমনা মাগী হৌরকফম ‘মরু’ অদুদগী হোংদুনা পিবা অদুগী শাগৈ শলাইদা তিন্দুনা ‘মরু’ হোঙখি হায়বগীদমক ‘লু-হোংবা’ কৌরিবনি। অতোপ্পা ৰাফম অমনা ময়ূম-মকৈ পাল্লবা মতুংদা নুপা নুপী অনীগী ৰাখল অদু হান্না য়ূমকৈ পান্দ্রিঙৈদা খল্লম্বা ৰাখলদগী হোংলকই হায়দুনা লুহোংবা কৌরিবনি হায়বা ৰাফমশিং অসিনি। ৰাফমশিং অসি *অরাংফম অমসুং মসিগী চৎনরোল* শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মনা সম্পাদক ওইদুনা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিনা ফোঙবা লাইরিক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা ‘লু-হোংবা’ হায়বা শ্রীলাইতোঞ্জম নরহরি সিংহ, শ্রীলোইতোংবম শামু সিংহ অমদি শ্রীইরেংবম ইবোবী সিংহ অহুম্না ইবা ৰারেং অসিদসু য়াওরি।

মৈতৈগী লুহোংবা হায়বসিদি লুহোংবা নুমিৎতা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা নত্তনা লুহোংদ্রিঙৈগী মমাঙদগীনা লুহোংবা লোইখ্রবা মতুং ফাওবদা লুহোংবগা মরী লৈনবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লরি। অসিগুম্বা থৌরমশিং অসিবু মতাংসিদা পূন্না লৌশিঞ্জরগা মৈতৈগী লুহোংবা হায়না থমজরি। মৈতৈগী লুহোংবদা ‘হায়ন-শীংনরগা হোংবা’ অমদি ‘চেল্লগা হোংবা’ হায়বা মওং অনীসি লৈ। হায়না-শীংনরগা হোংবা লুহোংবা অসিদি আ মমাঙঙৈদগী হৌনা চৎনদুনা লাক্লবনি। হায়ন-শীংনরগা হোংবা লুহোংবদি অহল-লমন মশেল য়ান্নরগা পীনবনি। অদুবু হৌজিক্কী মতমদদি হায়ন-শীংনবা তারবসু লুহোংগদৌরিবা নুপা, নুপী অনীগী মতসু লৌনরে। ‘চেল্লগা হোংবা’ হায়বা অসিদা নুপা নুপী অনীনা মশা মশা য়ানরগা হোংবা লুহোংবা মখলনি। মসি ঙল্লিঙৈ মতমদদি লুহোংনরমদে, কন্যা কৎলগা তোক্লরম্মী। অদুবু হৌজিক্তি অদুম্মক চেল্লবসু লুহোংনরে। মতমগী চৎনবীদা ‘হায়ন-শীংনরগা হোংবা’ লুহোংবা অসিদদি ‘মাঙ্গোল কাবা’, ‘য়াথং-থাবা’, ‘ৰারোইপোৎ পুবা’, ‘হৈজিং পোৎ পুবা’ নৎত্রগা ‘লৈ চন্দন পুবা’ (মৈতৈ ব্রাহ্মণশিংগী) ‘বর বার্ত্তন চৎপা’ অমদি ‘লুহোংবা’ হায়না থৌরমশিং অসি মথং মথং পাঙথোক্লে। লুহোংবা লোইরবা মতুংদসু লুহোংবগা মরী লৈনবা মখা তাবা থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লে। লুহোংবা নোংঙানবদা নুপী মমাগা লোয়ননা নুপী ময়ূম্না নুপা ময়ূমদা অচা-অথক পুদুনা চৎলি। মঙানিশুবা নুমিৎকী অয়ুক্তা নুপা ময়ূম্না নুপী ময়ূমদা নুপী অহুম ফিরুক নুংশাং (চেঙলুক নুংশাং) কাইবা চৎলি। নুমিৎ অসিগী নুংথিলদা নুপী ময়ূমদগী উপু শো হাংবা নুপা ময়ূমদা নুপী মঙা চৎলি। মপাম চাক্কৌবা নৎত্রগা চাক্কৌবগী থৌরম অসি লুহোংবা মঙানি চনবা নৎত্রগা তরক্লি শুবদা পাঙথোক্লে। লুহোংবা থা ফারকপদা নুপীগী মনেম, মনম্মা অমদি মচন্নচিংবা মরী-মতাশিং য়াওনা মপামদা চাক কৌদুনা ময়াম পূন্না চাক চামিন্নবগী থৌরমশিং অসি পাঙথোক্লে। থৌরমশিং অসি পাঙথোকখ্রবা মতুংদগীদি লুহোংলবী নুপী অদুনা মপামদা চঙথোক চঙশিন তৌবা য়ারে। থৌরমশিং অসি পাঙথোক্ত্রিমখৈদি লুহোংখ্রবা নুপীদু মপামদা চঙবা য়াদ্রি হায়বগী চৎন-কাঙলোন লৈ। অসুম্না মৈতৈশিংগী লুহোংবা অসিদা তৌদবা য়াদবা থৌরম কয়াবু খুন্নাই কাঙলূপ অসিগী চীন্থাংদা মীরোল অমদগী মীরোল অমদা মথং মথং থংথরক্তুনা চৎনবীগী অকূপ্পা কাঙলোন অমদি থাজনবী কয়াগা ইরোয়ননা ঙসি ফাওবদা পাঙথোক্লরি।

মৈতৈগী খুন্নাইদা লুহোংবদা হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা অমদি সনামহী লাইনীং চৎপা, ধর্ম্ম মান্নদবা অনীগী চৎনীবদা অয়াম্বা মওংদি মান্নরগা মওং খরদদি খেন্নরপ লৈবগী মশক উবা ফংই। অদুগা মৈতৈ বামন (ব্রাহ্মণ)শিংগী লুহোংবগী মশক্তু খরা খেন্নবসু লৈ। অদুবু মতাংসিদা মরুওইনা নৈনজনবগী পুখৎচরিবা লুহোংবগী মশক অসিদি হিন্দু ধর্ম্ম চৎপা মৈতৈশিংগী লুহোংবগী মশক্কি। মৈতৈ খুন্নাইদা ‘মৌ থিবা’ অমদি ‘নিঙোল থাজবা’ হায়বগী চৎনবীসি থায়নঙৈদগীনা হৌজিক ফাওবদা চথুদুনা লাক্লি। নুপা মমা মপানা ‘মৌ থিবা’ মতমদা নুপী ময়ূমগী লৈকায়গী মচিন চৎপা মীওইশিংগী নৎত্রগা মরী-মতাশিংগী মতেং লৌরগা নুপী ময়ূমদা মমৌ হায়বা লাক্লিংবগী ৰাফম হৌদোক্লে। করিগুম্বা নুপী ময়ূমগা নুপা ময়ূমগা হান্না খঙন চান্নবা ওইরগনা অদুম্মক নুপা ময়ূম্না নুপী ময়ূমদা মমৌ হায়বা লাক্কে হায়বগী ৰা হৌদোক্লে। নুপী ময়ূম্না অয়াবা পীরক্লবদি অফবা নুমিৎ-থাবান য়েংলগা চৎনবী ওইনা নুপা ময়ূমগী নুপী অহুম নৎত্রগা মঙানা নুপী ময়ূমদা অচা-অথক পুদুনা চৎলি। মসিবু ‘মাঙ্গোল কাবা’ হায়রগা খঙনৈ। অসুম্না ‘মাঙ্গোল কাবা’ থৌরম অসি পাঙথোকপদা খুন্নাইসিগী চৎন-কাঙলোন অমদি থাজনবী ৰাখল্লোনগী ফজবা মশকসু ইরোয়নরি। অফবা থবক পাঙথোক্লবা হোৎনবনিনা অফবা নুমিৎ থবান য়েংদুনা অয়ূক্কী মতমদা পাঙথোক্কদবনি হায়বা চৎন-কাঙলোনসি লৈ। নুপা ময়ূমদগী চৎকদবা মী মশীংসু অহুম নৎত্রগা মঙা ওইগদবনি হায়রিবা অসিসু মৈতৈগী ৰাখল্লোনদা লৈরিবা ‘চঙ’ থোকপা অফবা ওই ‘সি’ তারবদি ফত্তে হায়না লৌনবা মশক্তুনি। অসিগুম্বা চৎনবী, থাজনবীগী নীয়ম কাঙলোন অসি খুন্নাই অসিগী মীওইশিংনা থুগায়দুনা চৎনদে, চৎনবসু ফত্তে হায়দুনা মশাদা কিবা ফাওনৈ। নুপা-নুপী অনীগী কুঠি অদু পাঞ্জিদা পক্ল-ৰাইনবা য়েংনদুনা পক্লরে, য়ান্নরে হায়বা খঙনরবা মতুংদা নুপা ময়ূম অমদি নুপী ময়ূম অনীনা অমতা ওইনা য়ান্নবগী পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিবু ‘য়াথং থাবা’ হায়না খঙনৈ। থৌরম অসিদা নুপা ময়ূম্না অচা-অথক পুদুনা নুপী ময়ূমদা চৎকনি। য়াথং থানখ্রবা মতুংদা ‘ৰারোইপোৎ পুবা’ থৌরমসি পাঙথোক্লে। ‘ৰারোইপোৎ পুবা’ অসিদসু নুপা ময়ূমগী মীশিংনা অচা-অথক পুদুনা নুপী ময়ূমদা চৎলি। অসুম্না ‘ৰারোইপোৎ পুবা’ হায়বসি তৌখ্রবদি কন্যা ওইগদৌরিবী নুপী অদু মপামদা লৈজরবসু নুপা ময়ূমগী ওইরবগুম্বনি হায়না লৌনরে। লুহোংবগী নুমিৎ-থা ঙাইবনি হায়না খন্নরে। থৌরম অসিদা হৈ-রা, কবোক, অচা-অথক অমদি লুহোংগদৌরিবী নুপী অদুগী মফি মরোলনচিংবা নুপা ময়ূম্না নুপী ময়ূমদা থিল্লি। লৈবাক্কী ওইবা অচৌবা কূম্মৈ ফিয়োং থোক্লকপা মতমদসু ৰারোইপোৎ পুখ্রবী নুপীদুগী মফি মরোলনচিংবা নুপা ময়ূমনা তম্বগী চৎনবী লৈ। ৰারোইপোৎ পুখ্রবী নুপী অসিনা অতোপ্পা নুপাদা করিগুম্বা চেনখ্রবদি নুপা অদু ইকায়বা পীবনি লৌদুনা নুপী ময়ূম্না কাউজ-মমল হনবা হায়দুনা নুপা ময়ূমদা মমল পীগদবনি হায়বসি চৎন-কাঙলোন ওইনা লৈ, অকক্লবা মমলদি লৈতে। ৰারোইপোৎ পুবা নুমিত্তা ‘হৈজিংপোৎ’ অমদি ‘লুহোংবা’ অনী অসিগী অফবা নুমিৎ অমদি থবান্নচিংবা নুপী ময়ূমগা নুপা ময়ূমগা অনীনা পাঞ্জিদা য়েংনদুনা নুমিৎ লেপ্পে। লুহোংগদৌরিবা মচা নুপা নৎত্রগা নুপী অদুনা মমা মপাগী মচা কোকহন লাইহন ওইরবদি কালেন থাদা লুহোংবা য়াদে। নুপাগী মপোক থা অমদি নুপীগী মপোক থাদা লুহোংবা য়াদে, তৌহৈদে, ফত্তে হায়বা চৎন-কাঙলোনসি লৈবনা মতম অসিদা বর-কন্যা অনীগী লুহোংবা পাঙথোক্লদে। হৈজিংপোৎ পুখ্রবা মতুংদা অয়াম্বনা লুহোংগদবা হয়েংনি হায়বা নুমিৎতুগী নুংথিলদা বরগী য়ূমদা কন্যারোমদগী বর বার্ত্তন তৌবা চৎলি। কন্যাগী মৌপ্বা লৈত্রগনা লৈকায়গী নৎত্রগা মরী মতা থোকপা নুপামচা অমগা অরাঙফমগা নৎত্রগা শাগৈগী অহল অমগা লোয়ননা বর বার্ত্তন নৎত্রগা লৈগী লৈপাউ তৌবা অসিনা লুহোংগদৌরিবী নুপী অদুনা মশানা য়ানা বরবু লুহোংবা লাকপীনবা হায়জরকপনি হায়না লৌনৈ। বর বার্ত্তন চৎত্রবদি কন্যাগী মমা মপানা মচানুপীগীদমক তল্লিবা অওং-অউন অদু হান্না বরগী য়ূমদা থিনবা য়াদে। বর বার্ত্তন চৎলবা মতুংদা অউনপোৎশিং অদু বরগী য়ূমদা থিল্লি। বর বার্ত্তন তৌবা অসি হৌজিক্তি লম লাপ্লবদি হৈজিংপোৎ লোইবগা নুংথিলদা বর বার্ত্তন চৎনবসু য়াওরে। অদুগা অউনপোৎশিং অদু নুপা ময়ূমদা লুহোংদ্রিঙৈদা হান্না থিন্দোক্লবসু তৌনরে। হায়না শীংনবা মতমদা নুপা নুপী অনীদু পক্ল দ্রবদি নুপা নুপী অনীদু চেল্লগা লুহোংলবদি পক্লদবদু কোকই হায়না লৌনবসু য়াওই। অয়াম্বনদি নুপা নুপী অনীদু লাই খুরুমদুনা পত্রিকা তৌরগা লুহোংবসু য়াওই।

চেল্লগা হোংবা লুহোংবদি মশা মশা য়ান্নরগা নুপী অদু নুপা ময়ূমদা নুপাদুনা পুদুনা লাকই। মসিবু নুপী চেনবা হায়রগা খঙনৈ। চেল্লক্লিবা নুপী অদু অহানবা হেক চেল্লকপা নুমিৎতুদদি নুপাগী মমান্নবা খঙন চান্নবশিংগী ময়ূমদা নৎত্রগা মরী-মতাগী য়ূমদা অয়াম্বনা থম্নে। মসিবু নুপী থৈবা হায়নসু খঙনৈ। নোং ঙাল্লগা নুপী ময়ূমদা নুপা ময়ূমদগী পাউ হায়দোকপা অয়ুক ঙন্তানা নুপা অহুম্না চৎনৈ। মসিদদি নুপীনা পাউ হায়দোকপা চৎপা য়াদে, চৎনদে। নোং ঙাল্লগা চেল্লক্লিবী নুপী অদু নুপা ময়ূমদা পুরক্লগা লাইনিংথৌ সনামহী খুরুমহল্লগা, অহল লমনবুসু খুরুমহল্লগা নুপা ময়ূমদা থম্মী। নুমিদাংগী চাক পীজরগা নুপা ময়ূমগী মনেম, মনম্মা, মচে অমদি লৈকায়গী নুপীশিংনা চেল্লক্লিবী নুপী অদুবু ময়ূমদা অচা অথক্কা লোয়ননা মফি মরোল অহনবা লৈবিদুনা শেৎহল্লগা থিল্লি। নুপীদুনা চেল্লকপদা শেৎলকপা ফিরোল অদুদি অমুক হনবদা পীথোকপা য়াদে হায়দুনা পীথোক্তুনা নুপা ময়ূমনা লৌশিন্দুনা থমহৌই। নুপীদুনা লুহোংদুনা লাক্লবা মতুংদা মশাদা পী। অসুম্না তৌরবদি নুপা নুপী অনী অদু পূন্না পুন্সিগী ওইনা কায়নদনা নুংঙাইবা য়ূম্বাল ওইনা লৈমিন্নৈ হায়বগী থাজবসি লৈদুনা মসি তৌদবা য়াদবা অমা ওইনা পাঙথোক্লে। নুপী ময়ূমদসু নক্লবা মরী-মতা অমদি লৈকায়গী মচে মনেম ওইবী নুপীশিংনা নুপী থিল্লকপা ঙাইদুনা লৈনৈ। নুপীদুবু থনলম্বা মতমদা মনেম, মচেম অমদি মনম্মা ওইবীশিংনা শেল-থুম্নচিংবা পীনরম্মী। নুপা অদুনসু ময়ূমদগী চৎলমদাই মতমদা লৈনিংবা পোৎ-চৈ লৈনবা শেল থুম নুপীদুদা পী। অচা-অথক লাঙদুনা নুপী ময়ূম্নসু থম্লম্মী। অচা-অথকশিং অদু চামিন থকমিন্নরগা নুপীদুবু থনম্লগা, নুপা ময়ূমগী মীওইশিং অদু হল্লকই। নুপী ময়ূমগা নুপা ময়ূমগা য়ান্নরগা অফবা মতম য়েংনরগা হৈজিংপোৎ অমদি লুহোংবগী মতম লেপ্পে।

করিগুম্বা মতম খরা শাংনা থম্নবা তারবদি ৰারোইপোৎ পুরগা থম্নবসু য়াওই। হৈজিংপোৎ পুব, বর বার্ত্তন চৎপা অসিদি লুহোংবা অনীমক্তা তঙাই ফদনা চপ মান্ননা পাঙথোকই। লুহোংবা লোইরগা পাঙথোক্লিবা থৌরমশিং অসিসু ‘চেল্লগা হোংবা’ অমদি ‘হায়ন-শীংনরগা’ হোংবা লুহোংবা অনীমক্তা অদুম্মক মান্ননা পাঙথোকই।

হৈজিংপোৎ নৎত্রগা হৈজিং-খরাই লান্নবা হায়রিবা লুহোংবগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি লুহোংগদবা নোংমা, নৎত্রগা নীনি নৎত্রগা হুম্নি ৰাৎলিঙৈদা নুমিৎ অফবা, থবান অফবা য়েংলগা অয়ুক্তা নৎত্রগা নুংথিলদা পাঙথোক্লে। থৌরম অসিদা তৌদ্রবা য়াদবা অকূপ্পা চৎনবী কাঙলোন অমা য়াওরি। লুহোংগদৌরিবা নুপা অমদি নুপী অনীগী পুন্সিদা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা লাইদা নীজবগী চৎনবী থৌরমসু হৈজিংপোৎতা পাঙথোক্লি।

হৈজিংপোৎকী থৌরম অসিদা তৌদবা য়াদবা ওইনা লাই মঙাদা পোৎলম কয়া কত্তুনা বর কন্যা অনীগী নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা খুরুমজবগা লোয়ননা থৌনীজে। লাইদা নীজগদৌরিবা পোৎলমশিং অদু নুপা ময়ূম্না নুপী ময়ূমদা লাকপদা শেম-শাদুনা পুরক্কনি। লাইনিংথৌ সনামহীদা ‘অথেনপোৎ’ কৎকনি। ইমা লৈমরেল শিদবীদা ‘হৈজিং-খরাই’গী পোৎ কৎকনি। ইপা ইপু (অপোকপা)দা অপোক অশা পোৎ কৎকনি। লমগী লাইদা লমতুগী পোৎ কৎকনি। মপানগী লাইদা কৎনবা শেল্লক্লিবা পোৎলম্না শুমাঙদা আসন থাদুনা বিষ্ণুদা কৎকনি। লাই মঙাগী লাংলিবা পোৎলমশিং অসিদি হৈজিংপোৎতা নুপা ময়ূম্না শুকশোই শোয়দনা লাংদুনা - নুপী ময়ূমদা পুগনি। কন্যাগী শাগৈদা, শাগৈগী ওইনা লাৎপা লাই লৈরবদি নুপী ময়ূম্না হায়রকপগী মতুংইন্না নুপা ময়ূম্না হৈজিংপোৎকী পোৎ পুবদা শাগৈগী লাৎনরিবা লাইগী পোৎচৈসু পুগনি। নুপী ময়ূমগী ইঙ্খোলদা লাৎলিবা লাইশিংদসু হৈরাং লৈরাংনচিংবা মখোয়গী শরুক তমদুনা য়াইফ-মঙ্গোল পীবিনবা খুরুমজৈ। নুপা ময়ূম্না শেল্লগা পুরক্লিবা হৈজিংপোৎকী পোৎলমশিং অসি চঙ তাবা মশীং ওইহনগনি। জুরাদা চঙ তাবা নৎত্রগা অমমমতা থীবদা চঙ তানবা শেমদুনা পুগনি। পুরিবা পোৎকী ইহান হানবদা নুপীমচা কুমারী ওইরিবী অমনা ‘লৈ চন্দন’ পুদুনা মাঙ থানা চৎকনি। মসিগী পোৎলম অসিদা মপানগী লাই বিষ্ণুদা কৎননবা পোৎলম শেমগনি। হৈজিংপোৎকী তিল্লিবা মীয়াম্না লৌনবা লৈ চন্দনসু মসিদগী শেমগনি। মথংদা অপোক আশাগী পোৎ পুবী চৎকনি। মথংদা লম লাইগী পোৎ পুবী চৎকনি। মথংদা হৈজিং খরাই পুবী চৎকনি। মথংদা অথেনপোৎ পুবী চৎকনি। নুপীগী ফিরোল অমদি মেকপ বোক্স পুবী চৎকনি। অসুম্না মথং মথং শিন্দুনা পোৎ পুবীশিং অসি চঙ তাবা মশীংদা শেল্লগা চৎকনি। পোৎ পুরগা চৎপগী মথং মনাও অসিদা লম লমগী চৎনবী মতুং ইন্না খরা খরা খেন্নবসু য়াওই। অদুবু মতাংসিদদি মদুগী মরমদা শন্দোক্লা ইজদ্রে, শুপচিঞ্জরগা থমজরে। পোৎ পুরিবী নুপীশিং অসি মমাঙ থংনা চৎলিবী নুপীমচা অদু নত্তনা অতৈদি মচা মপুরোইবা কায়নদবা য়ূম্বানমিন্নরিবী, লুহোং খোঙদোংদুনা লাকপী নুপীশিংনা পুনৈ। লুখ্রা ওইবী অমদি মপুরোইবগা খায়নদুনা লৈরিবী নুপীশিংনা অসিগুম্বা লাইগী পোৎশিং অসি পুদুনা চৎপা য়াদে। নুপা ময়ূমগী মীওইশিংনা নুপী ময়ূম য়ৌরগা পুরক্লিবা পোৎশিং অদু অপোক অশাগী পোৎ, লম-তুগী পোৎ, অথেনপোৎ অমদি নুপীগী পোৎচৈশিং অদু ইমুংদা পুশিনগনি। লাইগী ওইবা পোৎলমশিং অদু লাইনিংথৌদা অমদি লাইনিংথৌগী মনাক্তা থল্লমগনি। অপোক অশাগী পোৎ অমদি লমলাইগী পোৎতি অয়াম্বনা নোং ঙাল্লগা কৎনৈ। লৈ চন্দন, হৈজিং খরাই, অতৈ কৎকদবা লাইশিংগী পোৎ অমদি তিল্লিবা মীয়াম্না চানবা পোৎশিংদু শুমাঙদা থমগনি। কন্যাগী মমান্নবীশিংনা চানবা পোৎনা ইমুংদা পুশিনগনি। লুহোংফম মাগুবকী অৰাং মায়কৈদা থারিবা ফক্তা নুপা ময়ূমদগী লাকপা অহল-লমন নুপা ওইবশিংনা ফমগনি। অহানবা পরেংদা বরগী মপানা ফমগনি। মমাঙগী নুপী ফম্ফমগী থারিবা মফম অদুদা বরগী মমানা অহানবা পরেং অদুদা ফমগনি। মনিং অমদি মখা থংবা শরুক্তা নুপী ময়ূমগী মীওইশিংনা ফমগনি। মনিং থংবা শরুক্তা নুপীশিং অদুগা মখা থংবা শরুক্তনা নুপাশিংনা ফমগনি। হৈজিংপোৎকী তিল্লিবা মীয়ামদা বর মপানা অমদি কন্যা মপানা খুরুমগনি। শুমাঙদা বিষ্ণুদা পূজা কৎলবা মতুংদা হৈজিং খরাই লান্নবগী থৌরমসি পাঙথোকই। হৈজিং খরাই লান্নবা মতমদা কন্যাগী মপানা মমায় নোংপোক ওনগনি। অদুগা বরগী মপানা মমায় অৰাং ওনগনি। বরগী মপানা লাক্লিবা হৈজিং খরাই অদু কন্যাগী মপানা মমায় মমাঙ ওন্দুনা লৌরগা লৈপাক তাহন্দনা ইমুংদা পুশিল্লগা ইমা লৈমরেল শিদবীদা কৎতুনা বর কন্যা অনীনা নুংঙাই য়াইফনা পান্নবা বর নীজগনি। কন্যা মপাদগী অরাংফম্না হৈজিং খরাই অদু লৈপাক তাহন্দনা লৌরগা কন্যা মমাদা শীন্নরগা, কন্যা মমানা ইমা লৈমরেল শিদবীদা মচা, অনীগী য়াইফ মঙ্গোল থৌনিজবসু য়াই। ইমা লৈমরেল শিদবীদা বর কন্যা অনীগী পুন্সি নুংশাংনা, চাদা-নাওদা লৈননবা থৌনিজগনি। লোইরবা মতুংদা অহল-লমন, ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, মপান্দা তিল্লিবা ময়াম্বু ভক্তিগা লোয়ননা নুপী মপা অমদি নুপা মপানা খুরুমজরগা থৌজাল মীৎয়েংবু ফিগাও শানা নিজহৌগনি। বরগী মমাদি লাই তিনগী পোৎলম থৌরম কৎপা লোইদ্রিফাওবদি হৌগৎপা য়াদে। লাইগী কৎপা থৌরমসি লোইখ্রবা মতুংদা বরগী মমা ফম্ফমদগী হৌগৎকনি। হৈজিংপোৎতা ক্বা লান্নবগী থৌরম অসিদা নুপী ময়ূমগী মপা অহুম্না নুপা ময়ূমগী মপা অহুমদা ক্বা তাঙ্গ অমমম পায়রগা ক্বা লানগনি। নুপী ময়ূমগী মপা অহুম্না অমুক ক্বা তাঙ্গ অমমম পায়রগা নুপী ময়ূমগী মপা অহুমদা ক্বা লানগনি। অদুগা নুপী ময়ূমগী মমা অহুম্না নুপা ময়ূমগী মমা অহুমগসু ঙসাইগী মপা অহুম্না তৌখিবগুম্না চপ মান্ননা ক্বা লান্নগনি। মসিনা তাক্লিবদি ঐগী ইচাসে নচা নমৌ ওইনা শিন্নজরবনি হায়না নুপীগী কাঙবুনা নুপাগী কাঙবুদা শীন্নরিবনি। নুপা ময়ূমগী কাঙবুনসু ঙসিদগী ঐখোয়গী ইচা-ইমৌ ওইজরগে হায়দনা ক্বা অমুক লাল্লিবনি। অসুম্না ক্বা লান্নবগী পাঙথোক্লিবা থৌরম অসি তৌদবা য়াদবা খুন্নাই কাঙলূপ অসিগী চৎন-কাঙলোনগী মশক্কি। মসিগী মতুংদা কুঠি লান্নবা হায়বা থৌরমসি পাঙথোকই। মসি মাঙ্গোলগী মাঙশেক্তা পাঙথোক্লরল্লবসু হৌজিক্তি শুমাঙদা অদুম পাঙথোক্লরে। নুপা মমানা মমায় নোংপোক ওন্না ফম্লগা নুপী মমানা মায় অৰাং ওন্না কুঠি অদু চাইশেল অমদা পুরক্তুনা নুপা মমাদা শিন্নগনি। কুঠি অসি চাইশেল নত্তবা অতোপ্পা পাত্র অমদা হাপ্পা য়াদে। মরমদি চাইশেন্না তাক্লিবসি নুপীগী মশকনি। নুপা মমানা কুঠি অদু ইল্লিবা ফিনা ফিগাও শানা য়াদুনা লৌশিনগনি। কুঠি পীবদা হৰাই মঙ্গল অহিংবা হাপ্লগা পীগনি। হৰাই অসি হাপ্লিবগী মরমদি হৰাইনা মপান মরা তানা হৌদুনা মহয় মরোং চূম্না পানবগুম য়ূম্বাল পুন্সিদা খোঙদাগদৌরিবা বর কন্যা অনীগীসু চাদা নাউদা তাদুনা নুংঙাই য়াইফনা, পুন্সি নুংশাংনা পান্নবগীদমক্তনি। হৈজিংপোৎ পাঙথোকখ্রবা মতুংদা লুহোংবগী থৌরমসি পাঙথোক্লে। হৈজিংপোৎকী থৌরম অসি পাঙথোকখ্রবা মতুংদা নুপী ময়ূম্না নুপা ময়ূমদা বর বার্ত্তন অসি অয়াম্বনা লুহোংবা হয়েংনি হায়বগী নুংথিলদা চৎনৈ। বর বার্ত্তন চৎত্রবদি লুহোংবগী থৌরম পাঙথোকপা য়াদে। বর বার্ত্তন অসি কন্যাগী য়ূমদা বর অদুবু লুহোংবা লাকপীনবগীদমক্তা বার্ত্তন পীবনি।○

(মথং-মথং)

# পুৰারীদা ঐখোয়গী কৈথেল মচৎ, মওং-মতৌ অমদি চিরবা তানফমদা কৈথেল নুপীশিংনা লৌখিবা থৌদাং

নাউরোইবম ইন্দ্রমনি

*(ঙরাংগী মখা চখজরকপা...)*

ফৈদাপুংগী খা নোংচুপ্তা হাওরুম লুকমায়দা য়োনবা পোৎফমশিংদি হৰাই হেন্তাক, মসিগী মথংদা থাউ, মথংদা শঙ্গোম, মথংদা ঙা, মথংদা থুম, মথংদা হৰাই, মথংদা ঙা, মথংদা থুম, মথংদা হৰাই, মথংদা এঞ্জাং, মথংদা মুরোক, মরোয়, মথংদা ঙান্থক, মথংদা উচান হায়রিবা পোৎলমশিং অসি য়োল্লম্মী। খুনু অমদি ঙানুনা মখা ফমহল্লমই। কৈথেল অসিদা পূন্না লুকমায় ১২ কাহল্লম্মী।

মথং খুন মরোন য়াম্বা সনা কৈথেল কৌবা মায়কৈ কৈথেলদি লমওকপুং থংবদা শিংজু, মথংদা পান্না, মথংদা ঙা, মথংদা থুম, মথংদা তন মায়চম, কিয়াংলাউবী, মথংদা লনলোনফম, মথংদা কাব্রং, মথংদা সনা অমদি লুপা, মথংদা সেনলৈম নোংপোক্তা ফমই। কৈথেল অসিগী লুকমায়দি ৭, ৯, ১৬ অসিনা ফমহল্লমই।

সনা কৈথেল অসিগী অহুমশুবা মায়কৈ কৈথেলগী মমিংদি লাইয়িংথৌ নোংসাবা খরী কৈথেললেন হায়না কৌরম্মী। কৈথেল অসিদি ফৈদাপুংগী অৰাং নোংপোক থংবদা চফু, মথংদা লশিং, মথংদা ফি, মথংদা উহি অমদি কুম, মথংদা লংহৌ, মথংদা ফিমু, হাওফি, লাইফি, চীংখোঙফি, মথংদা য়োৎ, মথংদা কোরী, মথংদা মোইবুং, কোংঙা, নোংজৈ, চরীক, সমপ্রেৎ, লীকশং, মথংদা তীলহৌ, চনম, য়েনদেম, মথংদা মৈতাল, মথংদা শিং অমদি আনে অসিনা লাইয়িংথৌ নোংশাবা খরী কৈথেললেনগী পোৎফমশিংনি। হায়রিবা সনা কৈথেল অসিগী মায়কৈ কৈথেল অহুম অসিগী অপূনবা লুকমায় মশীং ৩৫ ওইরম্মী।

মৈদিংঙু খাগেম্বনা কংলা মনুংগী কৈথেলশিংবু কংলাগী সনথোঙগী ৰাংমা মপান্দা পুথোক্তুনা নৌনা লিংখৎলম্বা কৈথেলশিং অদুগী মথক্তা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লিংখৎলম্বা অতৈ কৈথেলশিংদি - ফয়েঙ কৈথেল, মোইরাং কৈথেল, খুমন কৈথেল, চাইরেন কৈথেল, কোন্দোং কৈথেল, অন্দ্রো কৈথেল, সেক্তা কৈথেল, খোইয়াখুন কৈথেলনচিংবশিং অসি পনবা য়াই।

মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতুং তারকপা নিংথৌশিংগী হাক্তক্তা লিংখৎলম্বা তোঙান তোঙানবা অতৈ মফম কৈথেলশিংদি ঃ কুমজা ১৬৯৭ দগী ১৭০৯ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু চরাইরোংবনা কবো অকলা ঙমখিবগা হাক্তক্তা পুং থোল্লগা মৈদিংঙু চরাইরোংবা কৈথেল কৌবা কৈথেল অমা লিংখৎখি।

কুমজা ১৭০৯ দগী ১৭৪৮ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা গরিবনিৰাজ মহারাজগী হাক্তক্তা তখেলনা লান তারকপদা তখেলবু মায়থীবা পীদুনা লান ঙমখিবগীদমক খুনবী লালয়াম্বা কৈথেল কৌবা কৈথেল অমা লিংখৎখি। মথংদা নিংথৌগী গুরু শান্তদাসনা শল্লুংথেন্দা কৈথেল অমা শেমখি।

কুমজা ১৮০৩ দগী ১৮১৩ ফাওবা পানখিবা চৌরজিৎ মহারাজগী হাক্তক্তা তাম্রধবজ পোৎশঙবা হঞ্জবা থাদুনা জয়নগরদা কৈথেল শেমহল্লি। নিংথৌ অসিনা মচা ইবুংঙো মুচুকুন্দ শামু শেনবা হঞ্জববু থাদুনা কোইরেঙ্গৈ কৈথেল শেমহল্লি। নিংথৌ অসিনা মোইরাং প্রেমবু থাদুনা কুমফি কৈথেলবুসু শেমহল্লি। চৌরজিৎ মহারাজনা অঙোম নিংথৌ অঙৌপানবা বিরমণীবু থাদুনা হৈরোক্তা কৈথেল শেমহল্লি।

কুমজা ১৮২৫ দগী ১৮৩৪ ফাওবা পানখিবা মহারাজ গম্ভির সিংহগী মতমদা লাংথবাল কৈথেল লিংখৎতুনা কৈথেল কাবা হৌহনখি। কুমজা ১৮৩৪ দগী ১৮৪৪ ফাওবা অমসুং কুমজা ১৮৫০ দগী ১৮৮৬ ফাওবা অনীরক হন্না নিংথৌ ওইখিবা মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিগী সনা হাক্তক্তা কৈপুং কৈথেল, মাকলং কৈথেল লিংখৎলি। মহারাজ চন্দ্রকির্ত্তিগী সনা হাক্তক অসিদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, হৈরাঙ্গোই কৈথেল, সঞ্জেন্থোং কৈথেল হায়রিবা কৈথেল অহুম অসি হোংখি। শিংজমৈ কৈথেলবু লমাবী কৈথেল, হৈরাঙ্গোই কৈথেল ময়াং কৈথেল হায়না মমিং থোনখি। মসিগীসু মথক্তা য়াইরিপোক কৈথেলবু য়োইবু তম্ফা কৈথেললেন, থৌবালগী তোমজিং পুন্সিদা লখি লৈমা কৈথেল, অৰাং শগোলমাঙদা য়োইবু খোইমোম লাইরেম্মা ঈরৈমা কৈথেললেন কৌবা কৈথেল অহুমসু হোঙখি।

কুমজা ১৮৯১ দগী ১৯৪১ ফাওবা নিংথৌ ওইখিবা চুড়াচান্দ মহারাজগী হাক্তক্তা পুরৈরোম্বা কৈথেলবু অমুরক শেমদুনা কাহনখি। নিংথৌসিগী হাক্তক্তা চন্দ্রখোংদা লখি কৈথেল, থৌবাল কৈথেল, পুলিসলেন কৈথেল, ৰাংখৈদা অহোঙ কৈথেল লিংখৎখি। কুমজা ১৯৪১ দগী ১৯৫৫ ফাওবা নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্বা মহারাজ বোধচন্দ্রগী হাক্তক্তা দিনচন্দ্রা পণ্ডিতকা মাইবী শঙলাকপী অমুবীগা থাদুনা তোর্বুং কৈথেল হোঙখি লিলোং কৈথেলবুসু দিনচন্দ্রা পণ্ডিতকা অঙৌবী মাইবী অসুপ্পীগা অনীনা চৎতুনা হোঙখি। কৈথেল মমিং শ্রীযুৎ বুধচন্দ্র মহারাজগী মমিং থোনখি। দিনচন্দ্র পণ্ডিতকা অঙৌবী মাইবী অসুপপীগা থাদুনা নিংথৌখোংগী সনা ইংখোন্দা শ্রীযুৎ বুধচন্দ্রগী মিংদা কৈথেল হোঙখি। খোংজোম কৈথেলবুনা মহারাজ লেঙদুনা ইবেম্মা কমলাবতি অপাম্বীগী মমিং থান্দুনা হোঙখি।

**খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল চাউখৎলকপা ঃ**

খ্বাইরম্বন্দ হায়বসি খুরাই, ৰাংখৈ, খ্বাই, য়াইস্কুল হায়দুনা লৈরিবা কংলৈ লমগী লৈকায় মরিগী মনুং চল্লিবা খ্বাই লমদা লৈবা পন হায়বদগী শমজিল্লগা খ্বাইরম্বন্দ হায়বনি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা ময়াং লান ঙাক্লবগীদমক খাগেম্পল্লি, শগোলবন্দ, থাংমৈবন্দ পল্লিনচিংবা থোনখি। মৈদিংঙু খুঞ্জাউবগী হাক্তক কুমজা ১৬৬৫ দা চীংঙাদগী থাঙৰাইপল য়ৌনা লাংখোং মরিল তৌরম্বতা নত্তনা খ্বাইরম্বন্দগী লাংখোংসু কোয়না তৌদুনা অকোয়বদা লৈপন কোয়না তাখৎলম্মী। খ্বাইরম্বন্দগী মফমদা লৈবা খ্বাইদগী চাউবা কৈথেলনি। কৈথেল অসি অহানবা হেক লিংখৎপদা খ্বাইরম্বন্দা লৈবা কৈথেলনি হায়দুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়না কৌখি। হৌজিক হৌজিক খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়রগা মপুং ওইনা খঙড়রিবসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল (খ্বাইদগী লিরবা কৈথেলনি হায়দুনা পুরানা বজার হায়নসু কৌনৈ), হান্না ন্যু মার্কেট হায়না খঙনরম্বা লিম্থোইঙম্বী কৈথেল, লক্ষ্মী বজার হান্না মেক্সুয়েল বজার হায়না খঙনরম্বা থাঙ্গাল বজার, হান্না সদর বজার হায়না খঙনরম্বা পাউনা বজার, চেকথোং ৰাংমগী শগোলবন্দ নিপা কৈথেলনচিংবশিং পুনশিল্লগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল হায়না খঙনরি। ইকুই কুইদ্রিঙৈ য়াম্না থেঙলবা মতমদা মীশিং য়ামখৎলকপনা মরম ওইদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মশা মরেং অসি অসুম অসুম ফন্দোরক্তুনা হৌজিক্তি নাগামপাল ইমা কৈথেল, চক্রিকোম ইমা কৈথেল, বোরা গলি, পুন্সি কৈথেল, ধর্মশালা, আলু গলি, পাউনা ইন্টর্নেশ্নেল মার্কেটনচিংবা মমিং থোন্দুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি অসুক্কী মতিক পাকথোক চাউথোরক্লে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল অসি ইহান হানবদা হৌজিক লৈরিবা পুরানা বজার হায়রগসু খঙনবা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল অসি চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজনা পানবা মতম কুমজা ১৮৬৯ গী মেগী তাং ৩০ দা থাংমৈবন্দ পল্লি তেমথরগা কৈথেল অসি শেম্বা হৌখি। থা অমা চঙনা কৈথেল মফম শেল্লবদা চহী অসিমক্কী জুনগী তাং ৩০ দা মাইবা মাইবীশিংনা ঈরাৎ থৌরম তৌদুনা কৈথেল লাৎলগা মথংগী নুমিৎ জুলাইগী তাং ১ দা কৈথেল হোংদুনা নুমিৎতুমক্তদা কৈথেল কাবা হৌখি। হান্না মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা লিংখৎলম্বা অৰাং কৈথেল, সনা কৈথেল, খা কৈথেলদনা নুংথিলগী কৈথেল ওইরগা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসু হায়রিবা বৃটিশ রিজার্ব অসিগী মনুং চনখিবনা কৈথেল অসিবু শেমগৎ শাগৎপগী থবক বৃটিশ এডমিনিষ্ট্রেসন্না পাঙথোকপা হৌরকখি।

বৃটিশনা মণিপুর লৌশিল্লবা মতুং কুমজা ১৮৯১-৯২ গী মতুংদা মপান কাংজৈবুং মনিংদা সদর বজার হায়দুনা দুকান ১৯ লৈবা কৈথেল অমা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী মশা অমা ওইনা লিংখৎখি। কৈথেল অসি কোন্না পাউনা বজার হায়না মিং থোন্দুনা হৌজিক লৈরিবা অসিনি। হায়রিবা চহী অসিগী মনুংদা খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলবু মখোঙ য়ুংদুনা ঈনা কুপ্লগা ইহান হান্না কৈথেল শঙ শাবিদুনা কৈথেল ফমহনখি। অদুবু ঈনা কুপ্পা শঙশিং তোয়না মৈ চাকপগী থৌদোক থোরকপনা মরম ওইদুনা কুমজা ১৯০৫ গী ওক্তোবরগী তাং ৬ তা মতম অদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট কর্নেল জে সেক্সপিয়ারনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলবু হান্নগী ঈনা কুপ্পা শঙশিং শীদোক্লগা য়োৎনা মখোঙ য়ুংদুনা জিঙ্ঘনা মথক কুপ্লীখি। হায়রিবা কুমজা ১৯০৫-০৬ কী মতম অসিদা সদর বজারগী কৈথেল অসি মী কা হেন্না চিনশিল্লকপনা মরম ওইদুনা হান্নগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী অৰাং থংবদা দুকান ২০ লৈবা কৈথেল অমসু মতম অদুগী পোলিটিকেল এজেন্ট মেক্সুৰেলগী মিংদা মেক্সুৰেল বজার হায়না মিং থোন্দুনা লিংখৎখি। কৈথেল অসি কোন্না থঙ্গাল বজার হায়না মমিং ওন্দুনা হৌজিক ফাওবা লৈরিবসিনি।○

(মথং-মথং)